হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ২৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৫৮শুবা মশীং

## থাঙলোনদা ঙাঙনবা চুমদে

### খাঙঙুথক্কীনি হায়দুনা তান্থোক্লুবা য়াখিগদ্রা

খেন্নবা, মান্নদবা লোল ঙাঙবা, লাইনীং চৎপা অমসুং চাকচা য়ুথক অমদি ফিজেৎ-চাকচেৎ য়াওনা চৎন-কাঙলোন মান্নদবা ফুরুপ-কাঙলূপ কয়ানা পূন্না লৈমিন্নবদগী লৈবাক অসি 'মিনি ৱর্ল্ড' (মালেম লৈবাক মচা) হায়দুনা খঙনরিবনি। মসিগীদমক য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি হায়বা ৱাফম ফাওবা থোরক্লিবনি। অদুগা মসিগা চপ মান্নবা ফীভম ওইবদগী মণিপুরবুসু মিনি ইন্দিয়া হায়দুনা ফাওবা মীঙ্গৌনরিবনি। মরম অসিনা জাৎ-কুচু খেন্নবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়ানা পূন্না লৈমিন্নরিবা ষ্টেটসিদবু ফুরুপ অমনা অমদবু অকনবা ৱাহৈ খোন্দাশিং শীজিন্নদুনা ঙাঙথোক-শক্তোরকপা ৱাফমশিংবু থাঙলোনদা ঙাঙনফম থোকপ্রা? খেন্নবা ফুরুপ কাঙলূপশিং লৈমিন্নবদা মশীং খরা য়ামজদবদা নত্তনা খরা শোখবা কাঙলূপকী মীওইশিংনা ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা পূক্নিং নুংশিবা অমসুং অকনবা ৱাফমশিং য়াওরকপা হায়বসিদি হৌনবীনি। মফম কয়াদা মতম কুইনগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। অদুবু অসিগুম্বা ফীভমসি লৈরে হায়দুনা মীশিংসু য়ামজদবা অদুগা খরসু শোখজবা কাঙলূপ্না মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা পূন্না খুন্দামিন্নরক্লিবা খরা চাওবা কাঙবুদা ওনশিন্দুনা ঙাইহাক লৈতনা চিকপা, খোই মহুমদা চৈনা থিনবদৌনা তৌরোইদবনি। মহুম কায়রবদি খোইশিং পাইথোরক্তুনা চিল্লকপদা শিবা-নাবা ফাওবা য়াওরকপা য়াই। ঙাঙথোক-শক্তোকপা হায়বসিদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়বা ৱাফমশিং লৈরিবনি। অদুবু নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তগী শীজিন্নফম থোক্তবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ শীজিন্নরক্তুনা কায়হৌরক্লগসু হান্না হেক্তা চোঙথোক্তুনা শয়েং-পান্থোম ঙানদুনা ঙমথোক্লগে খনবা ৱাখলনা মাঙ থারকপসু অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অদুগুম্বা ৱাফমশিং কাংথোরক্তুনা শীজিন্নগনু হায়দুনা হান্না হায়বিগদবনি। অচুম্বা, অশেংবা লম্বীদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবীগদবনি। মরমদি খৎনবা হায়বসি অনী ওনশিন্নদুনা মান্নরবা মতমদা থোকহল্লকপা থৌদোকনি। অনীগী মরক্তা অমনা মান্নদনা লৈথোকখিদুনা ওনশিন্নদবা মতমদা খৎনবগী থৌদোক থোক্লোইদৌরিবনি।

হন্দক থাংজিং চীংগী মতাংদা থোরক্লিবা অৱাই-অখুম তৌনরক্লিবা ৱাফমশিংসি থোকহল্লক্তবসু য়াবা অদুগা থোকহনফমসু থোক্তবা ঙাক্তনি। অহানবদা ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়দুনা থেমজিনবদা য়াদ্রগনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা অঙম্বশিংদা থেমজিনহন্দুনা ৱারক-ৱাতেমহনগদবনি। মসিদা ফাওবা য়ারক্ত্রগনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোনা অয়াবা পীরিবা থবকশিং চপ-চানা লৌখৎকদবনি। পূন্না লৈমিন্নবগী ঈং-চিকপা অমসুং নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবগী ফীভমবু থুগাইনবা হোৎনবা য়াদে হায়বা খঙহনগদবনি। অদুবু থাংজিং চীংগী ৱাফমসিদি লৈঙাক্লা অমসুং মসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মতাং চানা হায়বদি শারিঙৈদা য়ৈদুনা শেমহৌদবদগী মখা শাংথরকপনি। থাংজিং চীংগী মতাংদা ফুরুপ অমগী, লূপ অমগী মায়কৈদগী ৱাকাই ঙাঙলক্লে হায়রগদি মতাংদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্ট কৈদৌদনা লৈহৌবগে? লোয়শঙ অসি মনা হুৎতবরা, মমিৎ তাংৱা? ঙাঙথোরক্লিবা ফুরুপ অমগী, লূপ অমগী ৱাফমদুনা অতোপ্পা ফুরুপ-কাঙলূপশিংদা শোকহনবা, খৎনবা হৌবরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়রগদি কৈদৌদনা লৈহৌবগে? ৱাফমদু অতাবশিংগী মরক্তগী চিন্দা-পৌদানদুনা অওক-ওকথোম তৌনরক্লে। মশা-মশাগী হৌরকফম ফাওবা কোখোক্লদুনা পিদ্রিৎ থোকপমখৈ ঙাঙন-শক্নরক্লে, করি শারে? মসিনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকচিল্লকপা নৎত্রগা খোইখা-লিনখা থানরক্লগদি হকথেংনরিবা কাঙলূপ মশেলদুদা নত্তনা পূন্নমক্কী অফবা ওইগদৌরিব্রা? নাকপাক তানহন্দুনা খূৎ য়াওনহল্লক্লগা কুম্মৈ য়েংগে হায়ব্রা? অসিগুম্বা ফীভমসিদদি তপথবা, পন্থবা চুন্লোই। মফম-মতম খঙউ। মস্বাইসিদদি কোন্না শিংবা অপঙবা হায়বগী ফীভমদু তাহল্লকপা য়াবা তাঞ্জা নত্তে হায়বসি খঙজিল্লু। হৌজিক্তি নাম্মা হায়রিঙৈদা য়াদ্রগা পোৎ'মা থোনগৎলগা চৎলি হায়বদৌনা তৌবা তারে। চিনগী লান তৌনরিবশিং পূন্না ৱাখল তাহন্নবা থবক পায়খৎলকপদগী হৌজিকপুদি য়ান্নখ্রে অদুবু অনীমক মতুং তৌরক্তনবা ৱারকউ।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **"রঘুবংশ মহাকাব্য"** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **"সেঙ্গোই সনা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্লা লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।"** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কূ' বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।..."** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## পেট্রোলগী মমল হন্থরকপদা নীংশীংলকপা কোভিদ-১৯

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭০৪**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙসি নোংমা-নীনি অসিদা লমদমসিগী ওইনা নুংঙাইরবা পাউ খরা তাবা ফংজখি। ইহান হানবা ওইনা হায়বা তারগদি ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অনাবা অমত্তা লৈতবা, কোভিদ ফ্রী ষ্টেট ওইরে হায়না লাউথোকখিবা অসিনি। মসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা নুংঙাইবা পাউ অমনি হায়বা য়াই। কোভিদকী থর্দ ৱেভ হন্থখ্রবসু অসুক কুইবা মতম অসি পোজিটিভ ওইবা কোভিদ ক্যের সেন্টর নৎত্রগা হোম আইসোলেসন্দা ওইরবসু লায়েংদুনা লৈবা অনাবা খরা খরদি অদুম্মক লৈরম্বনি। অদুবু হৌখিবা মে ২০, ২০২২দগীদি অনাবা অমত্তা লৈত্রে হায়না লাউথোকখিবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৪/৫ ফাওবসিদা কোভিদ টেষ্ট তৌবদা অনাবা অমত্তা থেংনদ্রে। মসি হায় হায়দুনসু কোভিদ-১৯ পুংমুৎ মুৎখিবদি নৎত্রি। মালেমগী লৈবাক খরদসু কোভিদ মহীক্লা নৈশিন্দুনা লৈবগী মথক্তা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনসু অনাবা লিশীং অনীগী মথক্তা লৈরি। মরম অসিনা তমথীরবা লায়না অসিনা অমুক হঞ্জিল্লক্তনবা ঐখোয় পূন্নমক চেকশিনবা তাবনি। এস ও পি ঙাক্লা চৎপা তাবনি। তৌবতবু ইজরিবা ইশাদগী থারগা ঐখোয় মাস্ক উপ্পা কাউথোক্লবগুম তৌরক্লে। ওফিসগুম্বা মীয়াম তিনফমশিং, হোটেল, দুকান, স্কুল, কোলেজনচিংবদা 'নো মাস্ক, নো এন্ত্রি' হায়দুনা থেৎলিবশিং ঐখোয় পূন্নমক্লা ইকায়খুম্নবা তাবনি।

কোভিদ হেক পল্লকপদা খঞ্জিল্লুরবদি তূ চুংবা অমদুম ফাওরকই। হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৩দগী হৌনা মৈতৈ মণিপুরী নুপীমচা অমা পোজিটিভ ওইবা হৌরকখিবদগী ফর্ষ্ট ৱেভনা মণিপুরদা লৈবা মীওই পূন্নমক্কী পুন্সি মহিংদা অসুক্কী মতিক অৱাবা পীখি। ময়োল লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোরকপদগী মীয়ামগী পুন্সিদা লায়না অসিবু কিবগী মথক্তা য়ূমদগী মপান থোক্নখিদবা, স্কুল, কোলেজ, মার্কেট, ওফিসনচিংবা পূন্নমক থিংজিনখিবা, থবক চপ লেপখিবা, লায়রবদগী ইনাকখুনবা ফাওবদা চাবা থকপদা চঙবা নুংতিগী পোৎলমশিং ফংনখিদবগী অৱাবশিং মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদবা থৌদোকনি। অনাবা য়াওরকপা ইমুং ফাওবদা খুলনা, লৈকায়না ইন্থোকপীবগুম কি-হঙ্গোইনা খন্নখিবা, অনাবা হংবা চৎপদি লায়রদনা অশিবা মী ফাওবা পোৎলোইবীনবা মী লৈতবদগী লৈঙাক্কী পোৎলোইফমদা শিন্নথোক্লগা নীংবা কায়না হন্নরকখিবা কয়া কয়ানি।

হঙ্গৎনা য়েংলুবদা কোভিদ অকিবগী মশকনি। সেকেন্দ ৱেভনা লাকপদা লমদম অসিদা অমুক হন্না পোক্লক্লরোইদবা মমিং লৈরবা পান্মুখ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি মুন্দুনা পুবিখি। হন্না হন্না য়েংখৎলুবদা নীংবা কায়বগী কায়বা মক্তনি। মণিপুরগী মপান্দা লৈরুবা মহৈরোয়শিং, হোস্পিটালদা থবক তৌরম্বা নর্স কয়া, অন ওর্গনাইজদ সেক্টরগী মখাদা লৈবা মাষ্টর রোল, কেজুএল, পার্ট টাইমনচিংবদা থবক তৌরম্বা কয়া লমদম অসিদা হল্লক্তুনা থবক ফংদনা লৈবা কয়া অমসু য়াওরি। থবক ফংদবগী নীংবা কায়রবা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়াগী মথক্তা মপান্দা থবক তৌরম্বা কয়া অমসু পুনশিল্লক্তুনা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপচিনবা কোভিদকী চৈথেং ঙসিসু খাঙদুনা লৈনরি। পূন্নমক অসি ওইদুনসু কোভিদ মানা হন্দোকখ্রগদি মীয়াম পূন্নমক্কী ৱাখলনা মতু মমান খিঙলক্তুনা অনৌবা আশা অমদি পীরগনি। হৌজিক লৈঙাক্লা ষ্টার্ট অপ প্রোগ্রাম হৌদোক্তুনা স্কিল ৱার্করশিংদা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনরক্লিবসি থাগৎনীংঙাইনি।

কোভিদকী অকনবা শাফুদা হৌজিক ফাওবা হৌগৎপা ঙমদনা হিংলিবা মশীং থিঙমদবা মীওই কয়া কয়া লৈরি। মসিগীসু মথক্তা নুমিৎ ২০নি হেন্না লেপ্তুনা নোং চুরকখিবদগী ঈচাও থোরক্তুনা গাড়ীনা থোমগে তৌরম্বদগী চোঙথোরকপদা হুইনা অমুক চিকপগী দষা তাবা কয়া অমসু লৈরি। খরা ৱারিঙৈদা ঈশিং থুমজিন্দুনা য়ূম কৈ চঙবা য়াদ্রিবা, চেন্থখিবা, মনা-মশিং, তর্ব্বুজ, খামেন, খোংদ্রুম, চুজাক, মাইরেন, থবী, তোর্বোংনচিংবা পান্বী কয়া ঈশিং মনুংদা লৈখিবা, ঙাগী ফার্ম কয়াসু ঈমাই চোন্না চেন্থখিদুনা অমুক হন্না হঙ্গৎলক্লরোইদবা মওংদা




শেল মাঙবা লৌমী কয়া অসিবু লৈঙাক্লা মতেং খরা খরদং ওইরবসু পীহন্নীংবগী অপাম্বা লৈনরি। অসিগীসু মথক্তা হৌজিক্কী পোৎতাঙ চৈতাঙ অসিদা লায়রবনা নম্না লৈবা হেন্দ টু মাউথতা হিংজবা মীওইশিংদদি অৱাবদা অৱাবা হাপচিনবনি। মতম অমদদি ঙসিদগী চহী ২৫/৩০ অদুৱাইদা মণিপুরদা নুংতিগী হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং য়োনবগী মমল লেপ্পলম্বা চেম্বর ওফ কম্মর্সসু মূৎখিবা কুইরে। হৌজিক্তি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়োল্লিবা চেঙ, হৱাই, থাও, থুম, আলু, তিলহৌনচিংবা পূন্নমক্কী মমল দুকান্দারশিংনা য়ান্নিং য়োন্নিংবা মমলদা য়োন্নরি, লৈনরি। তৌবগীবুদি মণিপুরদা য়োল্লিবা মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংগী মমল মরু ওইনা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল য়ৌরকপদা চঙবা গাড়ীগী এক্সপেন্দিচর, লম্বীদা থৎ থৎতুনা লৌহৌবা ইল্লিগেল টেক্সশিংগা পাশিল্লগা খাইদোক খাইজিন তৌরগা লেপ্পকপা মমলনিসু হায়রিবনি।

মতাং অসি য়ৌরকপদা হন্দক্কী ওইনা অনীসুবা নুংঙাইরবা পাউ অমা হায়রগদি নাগালেন্দ ষ্টেটনা ইন্টর ষ্টেট গেটশিং নত্তনা অতোপ্পা চ্যেক গেটশিং থিংজিনখিবা অসিসু অমনি হায়না লৌবা য়াই। মরমদি নম্ফুদা খায়দবা য়াদ্রবা চীংগী লালহৌলূপ অমগী য়রলি ভেহিকল টেক্স, গুদস টেক্স, গোদাউন টেক্স অমদি সেনাপতি লান্থোরক্তুনা কাংপোকপীদা অমুক লৌবা টেক্সশিং অসিখক্তং ওইরম্লগদি মফবা, মদুসু নত্তে। নাগালেন্দ ষ্টেট মনুং খক্তদা ম্যুনিসিপাল অমসুং টাউনগী কাউন্সিলশিং য়াওনা লন্নাই মীওই, লূপ, গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিং য়াওনা টাউন কম্মিটি অদু অদা টেক্স লৌমনবদগী নাগালেন্দ খক্তদা পোৎ চৈ তাঙখৎলকপদগী খাঙবা লাকপা ঙমদদুনা চ্যেক গেটশিং থিংজিনখিবনি। টেক্স লৌবদুদা মণিপুরদা চঙলকপা গাড়ীশিংদগী খাম খামদুনা লৌরিবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লসু ইম্ফালগী মাও ফাওবসিদা খাম খামদুনা লৌহৌরিবা টেক্স ময়াম, জিরিবাম ফাওবদসু, মোরে রোমদসু ইল্লিগেল টেক্স ময়ামসি লৌহন্দ্রগদি পোৎকী মমল খরদি শোয়দনা হন্থরক্কনি খল্লি। হীরম অসোমদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চিংশিনহন্নীংই।

অদুগা লোইশিল্লকপসিদা অমুক কাবক কাবক নুংঙাইবা পাউ হায়রগদি ঙরাং নহান্দগী পেট্রোল, দিজলগী মমল হন্থখিবা অসিনি। এল পি জিগী ওইনদি উজ্বালা গ্যাস বেনিফিসরিশিংগী সবসিদি খরা লাউথোকচবগী ৱানি। মদুনা কভর তৌদবা বেনিফিসরিশিংদদি লুপা অমা ফাওবা হন্থহনবা নত্তে। অদুবু ফৈ, ফত্তেদি হায়নীংদে। ফ্যুইলগী মমল খজিক হন্থরকপা অসিনা খজিক্তংদি শ্বর হোন্দোক্লে। অদুবু তম্বা ঙম্বা নত্তে। লিটরদা লুপা ১২০/১৩০দা খংকাপ কাপখৎলকপসু য়ারি। কোভিদগী চৈথেংগী নম্বো হৌজিকসু পোরিবা ঐখোয় পূন্নমক শেল লীক্লা লীক্লা শীজিন্নবা তমহৌবদু মখা চথদুনা সেল্ফ সষ্টেনেবল ওইবা মওংদা হিংবা তল্লসি। হরাউ কুম্মৈদা, য়ুমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং লুহোংবা, শ্রাদ্ধনচিংবা ফাওবদা পিকশিন্নখিবদু কাউখিগুমসি। পেট্রোল, দিজলগী মমল হন্থরকপসিনসু ত্রান্সপোর্টেসন চার্জদা খরদংসু হন্থরকফমদি থোকই। ঐখোয়সু শীংজমৈ ফাওবা য়োৎপী কিলো মখায় অমা লৈবা চৎপদা য়ূমদগী কার থৌদোকপদু তোক্লসি। শেন্মীৎলোন শোক্লিবা ঐখোয়না কোভিদনা পীবিরম্বা খুদোলদু মতম চূপ্পদা কাউনরগুমসি হায়নীংই। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬৯

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মীগী মরোলদা হায়রগনা "প্রোটোকোল ঙাক্লা সিট্টিং এরেঞ্জমেন্ট তৌবা" হায়না লৈনরিবসিনি। অখন্নবা মীয়াম তিনবা মীফমদদি ফম্নিংই নৎত্রগা ফম্নিংদে হায়দুনা অখন্নবা ফম্ফম/ফিদা থারিবা অদুদা হেক্তা ফম্নিংই হায়দুনা ফম্বা য়াদে। মরমদি প্রোটোকোল ঙাক্লা/কায়দনা ফম্নবা ফম্ফম/ফিদা থারিবদু থবক থৌরমদুগী ওইনদি চৎনবী থকসি খাসি ঙাক্লা তৌরিবনি হায়না লৌগনি।

মালেমগী ওইবা থাক্তা লৈরিবা চৎনবীদা থকসি খাসি ঙাক্লা হায়বদি প্রোটোকোল ঙাক্লা ফম্বগী চৎনবীসি লাইনীং লাইশোনশিংগা মরী লৈনবদসু অদুম ঙাক্লা চৎনৈ হায়বা তাই। খুদম, লাইনীংকোন অমগী মকোক্তগী থৌবুগা মথং মনাও নাইনা থৌরমদুগা মরী লৈনবা থবকশিং শিন লাংবা অমদি থৌরম পাঙথোকপগী থৌদাংশিং লৌনরিবমক্তনি। থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লেঙদনা ফম্বা মথৌ তাবশিংগীদমক্তদি অখন্নবা ফম্ফমদা ফমখ্রবা মতুংদা অমুক থৌরমদুগী মপূং ওইবা থবক হায়বদি ঈরাৎ ঈশোন তৌবা, মৈ হৌদুনা থৌনিবনচিংবা শিনবাংবশিং/অমখক্তনা ওইরবসু মখোয়গী ফম্ফম অখন্নবা থারিবদুদা নুমিৎতুগী ওইনদি অতোপ্পা মীনা চংশিল্লগা হেক্তা ফম্নবা/ফমহনবা য়াদে/মরমদি নুমিৎতুগী ওইনদি মীশক্তুগী মথৌ মঙম য়াম্না চাওই। থৌরমদুগী অফ-ফত্তগী শরুক মীশক্তুনা পুগদবনা অতৈনা মাগী থৌদাংদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মথৌ তাবা পোৎচাকশিং অমদি তৌহন্নীংবশিং মতেং পাংবীগদবনি। মসি চৎনবীনি।

লৈঙাকলোনগা লাইনীংলোনগা খেন্নবা মান্নবা থৌওং খরা :- লৈঙাক্লোনগীদি হান্না শেমদোক্লগা অয়াবা পীরগা লৈরবা চৎনবী অমগী মখা পোন্না ফম্ফমশিং অমদি থবক/শিল্লম শিন্থাশিং পাঙথোকই। খুদম ওইনা ইন্দিয়া অমদি মসিগী লৈঙাকলোনগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগীদা - প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর, মথং মনাও নাইবা মিনিষ্টরশিং, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মথং মনাও নায়বা সেক্রেটরিশিং, সিক্যুরিটি ওফিসলশিং অসিনচিংবা লৈবাকসিগী ওইবা থৌরমশিংগী মতুংইন্না মথক্তা প্রোটোকোল ঙাক্লা ফম্ফম শিল লাংবদুগী মতুংইন্না চৈখে। মদুদা চৎনবী মতুংইন্না খূৎ অনী লোন্নদুনা কোক নোল্লপ তৌবনা ইকায় খুম্নবা উৎপা/মাবু মীয়াম্না য়াবিনবা মওংদা তৌনবা চৎনৈ। মসিদা থোয়না হায়নীংঙাই লৈতে হায়না থমজগে। অতৈদনা গভর্ণর/লেফটিনেন্ট গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরনচিংবশিং।

ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিগীসু অদু মঙাই, লৈঙাক্লোনগী চৎন লোনচৎনবগী মতুংইন্না অদুম চখবনি।

ময়োল লৈঙাক অমদি মসা লৈঙাকশিংগী থৌপুবশিংদা মীচম মীয়ামসু য়াওবা ওইরগনা মীচম মীয়ামগী মীনুংশি/থৌজাল ফংনবা হোৎনবদা লুচিংবশিংগী মরন্নাইগী হৈজবা মওংদা অহেনবা থৌওং খরা তৌনবা অদুম থেংনৈ/তৌনৈ। মসিদি থকসি খাসি ঙাকপা ঙাক্তবগা মরী লৈনদে হায়বা য়াই। মরী লৈনহনবা তারগনা - "মীয়ামগী খোল্লাউদি লাইগী খোল্লাউনি" হায়বসিনা ওইগনি। মরী লৈনদবনা মীয়ামগী মতেং ফংলগা ফুরুপ (পার্টি) গী মপাঙ্গল কলহন্নবা অফোঙবা অমদি অরোনবা লাল্লোং ওইবসিনি। মীচম মীয়াম্না য়ানীংনা নৎত্রগা য়ানীংদনা উৎলকপা থৌওংনা মখোয়গী ফুরুপকী হৌজিক্কী অমদি তুংগী লম্বী য়াৎনবগী খুদমনি।

লাইনীং খুদিংমক্কী মান্নবা মান্নদবা লোনচৎ অদুম লৈনৈ। পাম্বা পামদবা/ফজবা ফজদবা হায়বদুনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা, লৈনরিবা লোনচৎতু ঙাক্লা চৎপনা মথৌদাংনি। পূন্নমকপু নুংশিনা কোনশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী তৌফদ্রবা মশিল অমনি। মতাং অসিদা নুংশিনা কোনশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিদা হৌজিক মালেমগী খুন্নাইদা লৈরিবা মান্নদবা অচৌবা লাইনীং ফুরুপ খরনা তৌরিবশিং খরদং পৌরপনা য়েংমিন্নবা মথৌ তাগদ্রা খঞ্জে। মদুদি লাইনীংদু অতোপ্পা ফুরুপকী মীওই খরদা পামহন্নবা খুদোংচাবশিং কয়া অমনা মাঙ থারগা পূক্নিং ওলহন্নবা হোৎনবদা মীরৈবাক্তা (ফোরেন কন্ত্রিশিং) মশা, মচা-মশু মহৈ মশীন তম্বা (মরু ওইনা লাইনীংদুগা মরী লৈনবশিং) লাইনীংদু চৎপদগী মখোয় মশেলগী মরক্তা মতেং পাংননবগী ইথিল পীশিনবা, মখোয়গী মসা-মরেং য়াম্বনিনা অনকপা মফমদা মখোয়না শিন লাংবা ঙম্নবা মখল মথেলগী মতেং পীবা, অকোয়বদা লৈরিবা মী অতৈনা পাম্বা পামদবা করিসু খন্থদনা অচৌবা লাইনীং লূপ ওইবশিংনা অঙম্বা/অৱৈবা পাম্বৈ শীজিন্নরগা লম চাওনা লৈশিন্নবা হোৎনবা, তপ্পা তপ্পা মখোয় লাইনীংলোমদা চিংশিন্নবা হোৎনবা কয়া খঙন উনরবা মক্তনি। খুদম, হান্না লৈরমদবা উরমদবা লাইনীং ফুরুপ কয়াগী মসা মরেং লৈকায়/খুন কয়াদা নৌনা শাফোংলকইবসিনি। তৌগনু হায়রুবা য়াবা পোৎ নত্তে। মসিদি লম লমদুগীদা লৈরিবা মীওইশিংনা/খুঞ্জাশিংনা অফ-ফত্ত নৈনরগা লৌখৎচগদবা/পায়খৎকদবা থবকশিংনি/খোঙথাংশিংনি। "খ্বাইদগী লুরিবদি অখন্নবা লাইনীং ফুরুপ অমবু ইন্দিয়াগী ওইনা ময়োল লৈঙাক্লা লমকোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবগী মিংদা লুপা ক্রোর কয়া চঙনা শেমগৎ শাগৎতুনা ফোঙনা শৌগৎপসিনি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা পীবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়দবদি য়ারোই। লাইনীং লাইশোন্দা মীচং মীখায় নায়দে হায়রগা অতোপ্পা লাইনীংদা ফোঙনা শীংনবগী থৌওংনি। মমৈথংদদি লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা/চাওবা ৱায়েলশঙ এপেক্স কোর্ট ফাওবা য়ৌনরকপা য়ারিবপোৎনি। লৈঙাক/লৈঙাকশিংনা হীরমসিদা খরদি খন্থহনজনীংই হায়না হঙ্গৎচরি। মালেমগী মীশিংনা চাওখৎপগী মীকপ থোক্ত্রিঙৈদা বৃটিশশিংনা শীংবা হেনখিবদগী মতম অমদা নুমিৎ তাদে হায়নরম্বা লৈবাক/লৈঙাক মরমদা তাশিন্দুনা লৈবগী ফীভম কনানা তম্বা ঙমগনি। পূন্নমকসি মতমগী খোঙলৈনা পুরকখিবা অওনবা অহোংবমক্তনি। চপ মান্নবা মওংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু অঙম্বী থাক্তা তৌনরিবসিনি।

লাইনীং লাইশোন খেন্নবগী মতুংইন্না মী অমগা অমগা নৎত্রগা মীয়াম তিনবদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী মওং মান্নদে। খরনা খূৎশা তরা হায়বদি খূবাক অনী লোন্নরগা লাইপক ফাওবা থাঙ্গৎলগা কোক নোল্লপ তৌবা মওং অমা; খূৎ য়েৎ হাইরগা নোকমি নোকমি তৌবা মওং অমা; খূৎ শোক্ল বা মওং অমা; লেঙ্গোন্নবা মওং অমা। মসিনা মালেমগী ওইনা অয়াম্বা মফমদা/লৈবাকশিংদা তৌনৈ। অদুগা লমদমসিদা চৎনরিবা লাইনীং হায়বদি ঈনাৎ লাইনীং অমদি গৌড়-হিন্দু লাইনীং অনীদদি মথক্কী থৌওংশিংসি তৌনদে, চৎনদে। খুরুম্বা হায়বা অমা তৌনৈ। খুরুম্বগী মওং-মখল খরা য়ামই শল্লপ্পা অনীখক্তং লৌখৎচগে। নহা খরা ওইবা নৎত্রগা অহল ওইরবসু মশাগী মখ্বাং নোনখৎ নোন্থ হায়বদি কোম্থোক কোনশিন খরা নুংঙাইতবা মতমদা খজিক্তং নোল্লপ তৌরগা মখূৎ লৈবাক শোকপা/নোন্থরগা খুকউ লৈতারগা কোক খরা নোন্থবা মওং অনী অসিনা হায়ফেৎ মান্নবা মওং অমা ওইনা লৌবা অমা। অনীশুবা অমনা উপ্রাক্লা লৈমায়দা উপ্পগা কোক্লা লৈবাক শোকপা/শোক্তনা খুরুম্বা মওং অমা। মসিদি হান্না ফম্ফমলাংদা ফমদুনা লৈরম্লবশিংদা মওং অনীমক্তা তৌনবনি। শোন্নপুং ময়ায়দা চঙলগা মপুগী মীঙ্খ্রে শক শোল্লিবশিংদসু তৌনবা মক্তনি। অদুগা লাই অমদা মপুং ফাবা মওংদা থৌগল্লোন উৎতুনা খুরুম্বা মতমদদি মালেম থক্তা/লৈমায়দা উপ্রাক্লা শাংদোক শাংনা উপ্পগা খূৎ অনীমক তিংথোক্লগা অদুগা খোঙ য়েৎনা খোঙ ওইগী খুনিংদা থাঙ্গৎলগা খুরুম্বা তৌনৈ। মসিদগী খরা হেঞ্জিনবদনা মায়না নাকল য়েৎলোম মায়লোমদা ওন ওন্দুনা খুরুম্বা মসিবু চেপ্পা লোংনা খুরুম্বা মওং হায়না খঙনৈ। ●